থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# দিস ইজ ইন্দিয়ন পোলিটিক্স

ঙসি ফাওবদা পাল্লকখিবা ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা খ্বাইদহৈ শক্তি লৈবা অমদি পোপুলার ওইবা প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী শরুক্তা নরেন্দ্র মোদিসু অমা ওইনা শোয়দনমক্কী শোন্নরগনি। মাবু য়ানিংবা/য়ানিংদবা অদুনা ৱাফম অমনি। ৱাফমসিমদি ঐখোয়সু য়াবা তাবনি। ইন্দিয়া খক্তদা নত্তনা, মালেমগী মফম পুম্নমক্তা, নরেন্দ্র মোদি'না চৎলু-চৎলুবা মফম খুদিংদা মহাক্কী ঙাঙ-শকপা হৈবগী থোইদোকপা মতিক (মগুন) অদুনা 'ইন্দিয়া'বু হান্না লৈরম্বা মফমদগী হেন্না ৱাংখৎপা মফম অমদা থাঙ্গৎনা থম্বা ঙল্লম্মী। ২০১৪ দা খঙহৌদনা অতিয়াদগী থাদরকপা পি এম কেন্দিদেট অমা ওইনা পুথোক্লকপদা মতমদুগী বি জে পি'দা খ্বাইদহৈ ঈকায় খুম্নবা মীশক অমা ওইরম্বা লাল কৃষ্ণ অদবানি'না ফাওবা য়াখিদবনি। থাজদবতনা থল্লবা শেঞ্জা-থুমজাগী থবাক য়ৈবা মতমদুগী ৱাথোকময়াম্নসু মোদিবু মাগী কেরিয়র গ্রাফ'তুদা অতিয়া পক্লা ইনখৎপদা মতেং ওইখিবনি। য়ারমখিদ্রবা অদবানি, লৈবাক হুপ্না থাজবা পীরক্লবদুদদি তুমীন লৈবা ঙমখিদে, মীমাঙ থোক্লা (ইমোসনেল ওইনা) মোদি'দা আশির্বাদ পীখি। মদুমক্লা মোদিবু মতুং তারকপা নুমীৎশিংদা থৌনা ফরবা ৱারেপ কয়া মনিং তম্না লৌনবা থৌনা হাখিবনি। ৱাহৈগী লান, চীন-কাংজৈ মশান্নদি মোদিগী থোইদোকপা হৈ-শিংবা, ঙসিগী ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তদি তাঙনা চেনবা গুন অমনি। চাউরবা মিসন অমবু ৱাহৈ অনী অহুম্না ফোঙদোকপা- মাগী স্পেসলিটি অমনি।

অদুক হৈ-শিংলবা মাগী অশোনবা/অশোয়বা অমত্তং হায়বা তারবা- চহী মঙা মপুম ফাদৌরবা মোদিগী অহানবা প্রাইম-মিনিষ্টরিঅল তেন্যুর অসিদা, মহাক্লা অমুক্তসু প্রেস'কা মায়োক্লদুনা ৱাফঙনবা (প্রেস কনফরেন্স) তৌখিদবা অসিনি। মাগী অশোয়বতা থিরিবা (হার্স ক্রিটিক) শিংনা হায়, 'ময়াদা মৈ হৌবা প্রেসমেন (জর্নেলিষ্ট) শিংগা মায়োক্লবা ঙম্নবা ক্কালিটি অদু মোদিগী মফমদা লৈতে... মহাক্লা হৈনজবা মতৌ-খুৎচাবী প্রেসমেন অমা নেক্লগা, নীংথিনা শেম-শারবা এটমোসফ্যার অমদা, রিহার্সেল নীংথিনা তৌরগা পাঙথোকপা ইন্টর্ভিয়ু (ৱাহং পাউহং) গী রেকোর্দিং মীদিয়া হাউজশিংদা থাদোকপা- অদুনি মহাক্লা তৌরিবা'। ৱাফম অসি চুমদবসু নত্তে। পুমচুম চুম্বসু নত্তে। মীয়ামগী খোঞ্জেল ওইরিবা প্রেস মীদিয়াগা হকথেংননা ৱারী শাদ্রিবসি মীয়ামগী হক খোঙ্গাওনবনি- কনাগুম্বনা হায়রবা, মানা অমুক খুন্নক্কনি- ওক্টোবর ২০১৪ দগী হৌরগা ঙসি ফাওবা 'মন কি বাট' (পূক্নিংগী ৱা) হায়দুনা থা খুদিংগী মীয়ামগা পাউ ফাওনরি (২০১৪ ওক্টোবর ৩ দগী হৌরগা ২০১৮ মার্চ ফাওবা লেপ্তনা পূক্নিংগী ৱা ফোঙদোক্লম্বদু মার্চতগী ঙসি ফাওবদা অমুক্তই হেন্না ফোঙদোকখিদ্রে। কৈদৌরবনো? রাহুল গান্ধীনা করেম্নে... 'ঐদি ঐগী পূক্নিংগী ৱা হায়বই মহুৎ, মীয়ামগী পূক্নিংগী ৱা ওইনা তাগনি'...।



ঙসিগা থানা নুমীৎ ৭৮ খক্তা ঙায়শিল্লক্লবা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি জেনরেল ইলেক্সন'সিগীদমক্তা কন্না শেম-শাগৎনরকপা মতমসিদা, মোদি'না লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসি করম্না অমুক হল্লকহল্লোইদগে হায়বসিনা বি জে পি'গা মীচঙ ওইদবা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী মঙলান'নি। মখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা 'গ্রেত (গ্রান্দ) এল্লায়েন্স' (মহা-গথবর্ন্ধন) অমা শেম্ননবা হোৎনরকপা ফনা কুইরে। ঙসি ফাওবা মায় পাকত্রি। য়ু পিগী ওইনদি অখিলেস যাদবকী 'সমাজৱাদি পার্টি' অমসুং মেদাম মায়াৱতিগী 'বহুজন সমাজ পার্টি' মীচঙ ওইমিন্নদুনা মীখল থেংনগনি লাউথোকখিবসিনা বি জে পি'দা অকনবা চৈফু অমবুদি ওই হায়ববু কোংগ্রেসকী ওইনসু হেন্না ফীভম শোক্লনি। কোংগ্রেস য়াওনা, হেক মীচঙ শেল্লুবদা কোংগ্রেসকী ভোট পুম্নমকসি বি জে পি'দা পীখ্রগনি হায়বসি মখোয়গী থাজবনি। অদুবু কোংগ্রেস মথন্তা নায়তোম ইলেক্সন থেংনহনবনা বি জে পি'দা করম্না চৈথেং পীগদগে হায়বদুদি নৈননিংঙাইহনি।

নহান, জন্যুৱারি ১৯ দা মমতা বেনর্জিনা লুচিংদুনা কোলকাটা'দা পাঙথোকপা য়ুনাইটেদ রেল্লি অদুদা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি পুম্নমক য়াওরগা কোংগ্রেস পার্টি মথন্তা য়াওহনখিদে। অদুবু বি জে পি'গী এম পি ওইদুনসু মোদি লৈঙাকপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঞ্জেল থোক্লা চৈরক্লিবা 'শত্রুঘন সিনহা'বুদি চেবাউ পীদুনা য়াওহল্লি। থৌওংসিনা মীয়ামদা পীরিবা পাউজেলসি'না করিনো? হৌজিক্তি ইখঙ খঙনরে- শত্রুঘন সিনহা, বি জে পিগী এম এল এ ওইরবসু ওপোজিসন কেম্প'তা লৈ, হৌজিক্তি মহাক পার্টিদগী শোয়দনা তান্থোরক্লগনি। মহাক্লা পাল্লিবসু বি জে পি'না তান্থোরকপ'দুনি। কোলকাটাগী ব্রিগেদ'তা পাঙথোকপা রেল্লিদুদদি য়াম্না নাখে শেংলে- মহাক পার্টিসিদা লৈনিংদ্রে। মচিনমক্লা হায়, 'পার্টিদগী তান্থোরক্কনি হায়বই অকিবা লৈত্রে ঐ... নরেন্দ্র মোদিনা রফেল প্লেন লৈবগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবসি মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি, নৎত্রবদি 'চৌকিদারসি হুরানবনি' হায়দুনা অসুম লৈরনি... হিন্দুস্থান এরোনোটিক্স লিমিটেদকুম্বা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পব্লিক লিমিটেদ কম্পেনি অমা লৈনা লৈনা ইন্থোক্তুনা থল্লগা এক্সপরিয়েন্স করিমত্তা লৈতবা, লিংখৎপা নুমীৎ ১০ নি খক্তা ঙায়রিবা, অনিল অম্বানিগী রিলায়েন্স দিফেন্স লিমিটেদকা এরোপ্লেন সাবই কন্ট্রেক সাইন তৌনবা, মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি... এরোপ্লেন পার্টতি হায়রুনু, অম্বানিগী কম্পেনি অদুদি সাইকলগী কাংখোং অমা ফাওবা শাবই এক্সপরিয়েন্স লৈত্রিবনি'...। শত্রুঘনগী ৱাঙাঙসিদি য়াম্না ময়েক শেংনা- মহাক হৌজিক বি জে পিদা শুক্লে লৈররোই, মহাক বি জে পি ওইনা লৈরসু পার্টিসিগী মথক্তা লালহৌবনি। মতাং অসিদা য়ৌরবদা বি জে পি'সু তুমীন লৈররোই, শুকশোয় শোয়দনা তান্থোরক্লনি।

থা অনী মখায়রোমতা ঙাইশিল্লক্লবা ইলেক্সনসিদা, মোদিগী মহুৎ ওইনা পুথোক্লবা ওপোজিসন লিদরশিপ ফেস কনানো? মমতা! মায়াৱাতি! অখিলেস! চন্দ্রবাবু! মখোয়না হায়, কোংগ্রেস য়াওদবা মহা-গথবন্ধন অমনা বি জে পি মায়থিবা পীগনি। দি এম কেগী ষ্টেলিন'না হায়, রাহুল গান্ধী নত্তবা ওপোজিসনগী প্রাইম মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট, অতোপ্পা অমা লৈতে। এন দি এ'না হায়, মোদিবু মায়থিবা পীবা হায়বসি নত্তবা ওপোজিসনগী অতোপ্পা এজেন্দা লৈতে। সিবু কৌই ইন্দিয়ন পোলিটিক্স।

লৌশিং পুক্কে


# খোঙ কারল চল্লগা ফম্বগী কান্নদবশিং



ফম্বা মতমদা খোঙ কারল চনবনা ঙাইহাক্কী ওইনা কম্ফোর্টেবল ওইবা মালহল্লবসু হকশেলদদি চাউনা খুদোংথিনিংঙাইনি। অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বনা খ্বাঙ নাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লকপা অমদি ঈ ফমজিলহনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

খোঙ নাম্মগী মথক্তা অতোপ্পা নাম্মা থাঙ্গৎলগা কারল চন্দুনা ফম্বা মতমদা খোঙদগী ঈ পুম্নমক থবাকলোমদা কাখৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লি। নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা খ্বাঙ, ঙকশম অমদি নিংজোল নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। য়াঙলেন শরু কোন্থবা মরম্না হকচাংগী ফীভম (পোসচর) সু শোয়হল্লকই।

শিংলিদা কা হেন্না প্রেসর পীশিনবদগী ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা ঈ উতোংগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। খোঙদা ঈ য়াম্না পৈশিল্লকপদগী শিংলি পোমখৎলকই। মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্লবদি পেরোনিয়ল নর্ভ পেরলাইসিস নৎত্রগা পালসি ওইহল্লকই। পেরোনিয়ল নর্ভ অসি খুউ মখাদা লৈবা মরুওইবা নর্ভ অমনি।



কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা তারবদি পেরোনিয়ন নর্ভতা প্রেসর হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা খোঙ অমদি খোঙয়াগী মশলশিং পঙথহল্লকই। কনাগুম্বা মীওই অমনা হকশেলগী লমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনি হায়দুনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চায় অমসুং নুমীদাং খুদিংগী মপুং ফানা তূম্মী। অদুবু ফনা য়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু তৌরোইদবা খরদং হেক তৌরুবা মতমদা হকচাং ফবা ঙমদে।

'ব্লদ প্রেসর মোনিটরি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা কনেক্টিক্টকী কার্দিওলোজিষ্ট ষ্টিফেন টি সিনাট্রানা হায়খি, খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর চাদা ৭ অমসুং দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরনা চাদা ২ ৱাংখৎহল্লি। সিষ্টোলিক হায়বসি বি পিগী মথক থংবা রিদিং অদুনি। দাইষ্টোলিক হায়বসিনা মখা থংবা রিদিংনি। কনাগুম্বা মীওই অমগী ব্লদ প্রেসর ১২০/৮০ ওইরে হায়না লৌবা মতমদা সিষ্টোলিকনা ১২০ নি অমসুং দাইষ্টোলিকনা ৮০ নি।

ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মিনিট ১০ দগী হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম্না পুংখায় খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ অমা অনী চৎকদবনি। অতৈ অতোপ্পা অশোয়বা থৌওংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, খুউ অনী লোনশিন্নরগা খক লেপ্লোইদবনি। মতৌ অসুম্না লেপ্পা মতমদা খুউ তাঙগী অকোয়বদা প্রেসর পীবা হেনগৎলি। কেলিফোর্নিয়াগী অর্ৱিনদা লৈবা হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটতা ওর্থোপেদিক স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা দেবিদ দল্লিয়ু ক্রুজনা হায়খি, তাঙ-তাঙ খুদিংমক অকোয়বগী মশলশিংনা ঙাক্লৌ পীরিবনি। খুউ অনী লোনশিন্নরগা লেপ্পা মতমদা খুউ অকোয়বগী মশলশিং মথৌ নীংথিনা তৌদে। মসিনা মরম ওইরদুনা তাঙ-তাঙদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকই। য়ারিবমখৈ লেপ্পা মতমদা খুউ কোল্লপ লেপকদবনি। অমরোমদা, হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটকী স্পাইন সর্জন রিচার্দ লীনা হায়খি, তূম্বা মতমদা য়ারিবমখৈ উপ্পা হীপ্লোইদবনি। উপ্পা হীপ্লগা মোন খাঙবা মতমদা ঙকশম থেক্তোকপা মরম্না ঙকশম মরী নাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

অতোপ্পা অমনা খ্বাঙদা বেল্ট ফাবা মতমদা য়াম্না চিন্না অমসুং ক্রুক-ক্রুক লাকশিন্না খক ফারোইদবনি হায়রি। লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা সেন্ট ভিন্সেন্ট মেদিকেল সেন্টরগী চীফ গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট পেট্রিক টকাহাশিনা হায়খি, কা-হেন্না চিনবা মওংদা বেল্ট ফারবদি চাকখাউদা প্রেসর পীবা মরম্না এসিদ রিফ্লক্স তৌহল্লকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরদুনা খনাউদগী অশীনবা থোরকপা, থবাক শাবা, পূক নাবা, লোক খুবা অমদি চাক য়োৎপদা নুংঙাইতবা থোকহল্লকপা য়াই।

গাড়ী থৌবগী মতাংদা ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মতম শাংনা ফম্লগা গাড়ী থৌবা মতমদা ঈ ময়াম খোঙগী শরুক্তা পৈশিল্লক্তুনা থম্মোয়গী লায়না পোকহল্লকপা য়াই। লম শাংনা গাড়ী থৌগদবা লৈরবদি লমখাংদা ঙাইহাক খাম্লগা কুমথদুনা খোঙকাপ অমা অনী হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদবনি।

অতৈ অতোপ্পা তৌরোইদবা থৌওংশিংদি তূম্বা হেক হৌগৎপগা তীংলি-য়াঙলিবা, খোঙ হাম্নিংবা নৎত্রগা মপান থোক্লিংবা খাঙজিনবা, চ্যুৱিং গম চাবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী চপ মান্নবা মওংদা লেংবান নাম্মতদা অরুম্বা বেগ য়াল্লগা চৎপা অসিনচিংবনি। হকশেলগীদমক তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক মচা মশুশিং মুন্না খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

# ফিভম চাদ্রবা প্রেমকুমারগী ইমুংদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা পোৎচৈ কয়া তেঙবাংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি২১(ঐচ এন এস): নম্বোল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা কবো ৱাকচিং মখা লৈকায়দা লৈবা হকচাংগী অরুবা অনাবা অমনা থা তরুক হেন্না ফমুংদা য়াতাদুনা লৈরিবা সলাম প্রেমকুমার (৪০) গী ইমুংদা ঙসি সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্তর নারেংবম সমরজিৎকী মীৎয়েং মখাদা বোর্দ ওফ দিরেক্তরগী মেম্বর কৈসাম রোসন্না শেল য়াওনা পোৎচৈ কয়া মতেং পাঙখ্রে।

সলাম প্রেমকুমার লৈখিদ্রবা সলাম অঙাংতোম্বীগী মচানুপানি। মহাক্কী পীক্লিবা মচানুপা অহুম অমদি নুপী অমা পুন্না মরি লৈরে। মহাক্কী লিভর শোকপগা লোয়ননা ঈ ৱাৎপা অমদি লংসতসু ঈশিং চেন্থোরকপদগী অরুবা ফিভমদা থা তরুক তরেৎ হেন্না ফমুংদা য়াতাদুনা লৈবদগী নোংম নোংমগী ইমুং অদুদা অৱাৎ অপা কয়াগী চৈথেং ফঙদুনা লেল্লকখি হায়না মহাক্কী লোয়নবী সলাম ওংবী তোম্বীনা ফোঙদোরকখি।

লায়েংনবা শেল লৈতবগা লোয়ননা ফিভম শোক্লবা ইমুং অদুদা চাক থোংবা ফাওবা চরুনা মৈ য়াংদুনা থোংই হায়রি। ৱাবনা খম থেংলবা মতম অসিদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী মীওইশিংনা লাক্তুনা মতেং পাঙবীবা অসিদা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা এ সী অসিগী এম এল এ, এন লোকেনগী লোয়নবী উষা অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই খরসু লাকপীদুনা অৱাবা তারবা ইমুং অসিদা তোঙান তোঙানবা মতেং খরসু পাঙবীরম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী বোর্দ ওফ দিরেক্তরগী মেম্বর কৈসাম রোসন্না ফোঙদোকখিবদা, প্রেমকুমারগী ইমুং-মনুংগী অৱাবগী পাউ আই এস টি ভি অমদি মীদিয়াশিংদগী তাবদগী সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা ঙসি চেঙ, ব্লাঙ্কেট, চৌক্রি, মৈতান, মৈফু, চৈগপ, পুখম, তেঙ্কোৎ, রাইস কুকর, গ্যাস সেট অমদি শেল ওইনা লুপা ১৫,০০০ মতেং পাঙখি। মসিদা নত্তনা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর) গী মখাদা ফিভম শোক্লবা য়ুম অসিগী মহুত্তা অনৌবা য়ুম অমা শারগনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রেমকুমার মশাদি পোরোমপাৎকী জেনিমস হোস্পিটালদা চেকঅপ তৌনবা চৎখিবদগী ময়ুমদা লৈরমখিদে।

# অঙাং ফাবদা চেন্নবা চৈরাক পীননবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি২১: পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চহী ১৫ দা ঙাইহরিবা নুপামচা অমা ফাবদা চেন্নবা মীওই অমা মতিক চাবা চৈরাক পীবীনবা জে এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম অজিৎকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা অজিৎকুমারনা হায়, মোইরাংকম্পু সজেব অৱাং লৈকায়দগী য়ুম্নাম গুলসন এলিয়জ নাওবা (২৪) না থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা ট্যুইসন চৎখিবা নুপামচা অমা ফারগা অঙাং অদুগী ইমুংদা লুপা ক্রোর খরগী দিমান্দ তৌরকপা লৈ। মরম অদুনা অঙাং অদু য়াওনা চৎলগা ৱারী শাননবা লমদান তান্না পুখি। থা অসিগী ১৫ দা অঙাং অদু মাঙখিবগী রিপোর্ট অমা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা তৌখি। লমদানগী এম এম টি এগী মনাক্তগী অঙাং অদুগা গুলসনগা কোন্ননা ফাখি। মতুংদা গুলসন পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা মহাকপু চৈরাক পীবীনবা জে এ সীনা দিমান্দ তৌরি।







